## রসিয়াদা রেকোর্দ ওইনা কোভিদ কেস হেনগৎখ্রে

মোস্কো, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রসিয়াদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস ৬,০৬০ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯গী কেস মশিং পুন্না ৪২,৮৫৩ য়ৌরে হায়না রসিয়ন কোরোনাভাইরস ক্রাইসিস রেস্পোন্স সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ওল্লিবৈঙৈগী তাঙ্কক্তা নোংচুপ থংবা য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদা রিপোর্ট তৌখিবা ইনফেক্সনশিংদগী য়াম্না হন্থখি হায়বা তারবসু রসিয়াগী কোরোনাভাইরস কেস মশিং থা অসিদা খঙৱাং ৱাংখৎলকখিবনি।

## লোকদাওন থুগায়বগী বুক তৌখ্রে

জম্মু, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী জম্মু সিটিদা কোভিদ-১৯ থিংনবগীদমক্তা থল্লিবা অথিংবগী ওর্দরশিং থুগায়বগীদমক্তা পুলিসনা দেপ্যুটি মেয়র য়াওনা বি জে পিগী লিদর অহুমগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। বি জে পিগী লিদর অহুম অদু হরিঠেএটর কমপ্লেক্সতা লৈরিবা মীওইশিংদা রিলিফকী পোৎলমশিং য়েন্থোক্লবা বাজার এরিয়াদা চৎলম্বগীদমক্তা বুক তৌখিবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা ইনক্বাইরি দিমান্দ তৌদুনা চাইনাদা প্রেসর হেনগৎহনখ্রে



মেলবোর্ন, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
চাইনানা নোভেল কোরোনা-ভাইরস হেন্দল তৌখিবগী মতাংদা ওষ্ট্রেলিয়ানসু ইনক্বাইরি চথনবা নোংমাইজিং নুমিত্তা দিমান্দ তৌখ্রে।

কোরোনাভাইরসকী হৌরকফম অমসুং ভাইরস অসি করম্না শন্দোকপগে হায়বগী মতাংদা লৈবাক কয়ানা ইন্টরনেসনল ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। নোভেল কোরোনাভাইরস অসি হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা চাইনাগী সেন্ট্রেল সিটি ৱুহানগী লমলক্কী শা-ঙা য়োনবা কৈথেল অমদগী শন্দোকপা হৌখিবনি হায়না থাজনরিবনি। ভাইরস অসি মফম অদুদগী শন্দোকপা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মালেমগী মীওই মিলিয়ন ২.৩ রোম শোকহনবগা লোয়ননা মীওই ১৬০,০০০ লোমগী পুন্সি লোমহনখ্রবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর মরিসে পাইননা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা কোরোনাভাইরস দিটেক্ট তৌবা হৌখিবদগী ভাইরস অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবগী মতাংদা লৌথুপ লৌকোয়বা লৈহন্দনা থবক তৌখিদবগী ৱাফম অসি মহাক্না য়াম্না লুনা লৌই। কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা ৱাফম অসি মরু ওইনা ইন্দিপেন্দেন্ট রিভিয়ুগী ৱাফম্নি। মসিমকসু ঐখোয়না তৌফম থোকই হায়না পাইননা এ বি সী টিলিভিজনদা ফোঙদোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনদি লাইচৎ অসি পব্লিক হেল্থ সিষ্টেমদা অচৌবা পোৎলুম লাকহন্দ্রিবৈঙৈগী মমাংদা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি হায়না লৌনৈ। নোংমাইজিং নুমিত্তা অনৌবা কেস ৫৩ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৬,৫৮৬ য়ৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়াদা লাইচৎ অসিদা মীওই ৭১ শিখ্রে। অনৌবা কেসশিং হেনগৎলকপগী চাং অসি থংন-থংননা নুমিৎ তরেৎনি চাদা অমা য়ৌখিদে। মসি মালেমগী ওইনা লৈবাক কয়াগী ইনফেক্সনগী চাংদগী য়াম্না হন্থরিবনি।

পাইননা লাইচৎ অসিগী মতাংদা মালেমগী ওইবা ইনক্বাইরি অমা চথনবা দিমান্দ তৌরিবসি মহাক্কী লৈবাক অমসুং মরু ওইবা লল্লোন-ইতিক্কী পার্টনর ওইরিবা চাইনাগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অমা লাক্লিবৈঙৈগী মরক্তনি। ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনাবু লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক-লাম্থোক্তা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা চাইনানা পেসিফিক লমদমদা ইথিল পীনবা হোৎনবা হেনগৎলকপগী ফিভম্না ওষ্ট্রেলিয়াদা নুংনাংবা পোকহনবদগী লৈবাক অনীগী মরী শোকচিল্লকখিবনি।

# কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মনুংদা রমজানগী লাইশোন থৌরম য়ুম-য়ুমদা পাঙথোক্লুবা অপিল তৌখ্রে



রিয়াদ, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লাকশিন্নবা হোৎনবদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী তঙাইফদবা লৈবা লৈবাকশিংগী মুস্লিমশিংনা রাম্মদান মনুংদা ময়ুম-ময়ুমদা ওইনা লাইশোন থৌরম পাঙথোক্লনবা সাউদি অরাবিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা লাইনিং-লাইশোনগী বোদি সিনিয়র স্কোলরশিংগী কাউন্সিলনা অপিল তৌখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি এস পি এগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মুস্লিমশিংগী শেংলবা চাকহেন থা রমজান চয়োল অসিগী অথেংবা শরুক্তগী হৌগদবনি। চাকহেন থা মনুং অসিদা ইস্লামিক লাইনিং-লাইশোনদা থাজবা মীওইশিংনা মহৌশানা মখোয়গী চাকহেন অমসুং ইমুং-মনুংশিং অমসুং মরুপ-মপাংশিংগা লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা মোস্কশিংদা তরাওৱি হায়না খঙনবা অচৌবা লাইশোন থৌরমশিং পাঙথোক্লগা লেপ্লরিবনি।

মী য়াম্না তিনবনা কোরোনাভাইরস লাইচৎ শন্দোকপগী মরু ওইবা মরম ওইবনা মুস্লিমশিংনা য়ারিবমখৈ পুনবা তোক্কদবনি। মীয়ামগী পুন্সি কনবা অমসুং ঙাক-শেনবা হায়বসিনা মুস্লিমশিংবু শেন্থীবা মপুগা নকশিনহনবা হেন্না চাওবা থবক্নি হায়বসি মতম পুম্বদা মুস্লিমশিংনা নীংশিংদুনা লৈগদবনি হায়না কাউন্সিলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। গ্রান্ট মুফতি সৈখ অব্দুলজিজ অল-সৈখনসু মুস্লিমশিংনা লাইচৎ মনুংসিদা রমজান মনুংগী লাইশোন থৌরম অমসুং মতুং তারকপা ঈদ অল-ফিটরগী থৌরম য়ুম-য়ুমদা পাঙথোক্লবা অপিল তৌখি।

# শ্রীলঙ্কাগী কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা কর্ফিয়ু কোমথোক্লগনি




কলম্বো, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবা হৌখিবা থাদা শ্রীলঙ্কা শীন-থুংনা থমদুনা চথরক্লিবা কর্ফিয়ু লৈবাক অসিদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবগী পান্দমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী কোমথোক্লবা ইথৎ লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা ৱারেপ লৌরে হায়না প্রসিদেন্টকী মিদিয়া দিভিজন্না ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্ট দিরেক্তিভসকী মতুং ইন্না হৌজিক কর্ফিয়ু কলম্বো, গমপহা, কলুতারা, পুতালম, কান্দি, কেগালে অমসুং অম্পরা নত্তনা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তগী নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৫ দগী কোমথোক্লগা নুমিৎ অসিগী নুমিদাং পুং ৮ দা অমুক মখা তানা চৎনহনগনি হায়না দেলি মিয়রগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

কলম্বো, গমপহা, কুলুতারা অমসুং পুতালম দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনদি য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৫দা কর্ফিয়ু লৌথোক্লগা নুমিদাং পুং ৮ দা অমুক হন্না চৎনহনবগী মওংদা নুংতিগী চৎনরগনি। কর্ফিয়ু কোমথোকহল্লবা মফম অমা রিস্ক খুঙ্গং নৎত্রগা জোন অমনি হায়না লেপ্পা তারবদি অদুগুম্বা মফমদুমক মখা তানা কর্ফিয়ু চৎনহনগনি। কনাগুম্বা অমত্তা আইসোলেটেদ মফমশিংদা চঙবা নৎত্রগা মফমশিং অসিদগী থোকপা য়াহল্লোই। ওফিসকী থবক য়াওনা ইসেন্সিয়েল সর্ভিসশিংদমক নত্তনা অতৈ চৎথোক-চৎশিন অমত্তা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরক্তা পাঙথোকপা য়ারোই। স্কুলশিং, য়ুনিভর্সিশিং, টুইসন ক্লাসশিং অমসুং অতৈ এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুটশিং অমদি সিনেমাশিং মখা তাবা নোটিস থোক্লিফাওবা থিংদুনা লৈগনি হায়না দেলি মিয়রনা গভর্নমেন্ট দিরেক্তিভশিং পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

কর্ফিয়ু হেক কোমথোকপগা দিপার্টমেন্টশিং, কোর্পোরেসনশিং অমসুং বেঙ্কশিং য়াওনা ষ্টেট এন্টিটিশিং মহৌশাগুম্না থবক তৌগনি। ভাইরস শন্দোকপা কন্ট্রোল তৌনবা হেল্থনা রিকমেন্দ তৌবা চেকশিন থৌরাংশিং ওফিসকী মতম মনুংদা চেকশিন্না ঙাক্কদবনি হায়না দিরেক্তিভ অদুদা পনখি।

# অনৌবা ভাইরস কেস হন্থরকপদগী সাউথ কোরিয়াদা সোসল দিষ্টেন্সিং রুল খরা কোমথোকহনখ্রে



সিওল, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
হৌখিবা থা অনী অসিদা রেকোর্দ তৌবা খ্বাইদগী নেম্বা ওইনা সাউথ কোরিয়াদা অনৌবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন নিপানদমক রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী পোলিসি মখা তানা নুমিৎ ১৬নি শাংদোকহনখ্রবসু চর্চ অমসুং স্পোটিং ফিক্সচরকী মতাংদা খরা কোমথোকহনখ্রে।

লৈবাক অসিদা গাইদলাইনশিং কোমথোকহনবা হায়বসি চর্চকুম্বা হায়-রিস্ক মফমশিংদা থল্লিবা অথিংবশিং খরা কোমথোকহনবা অমদি মীয়াম্না পাম্নরবা কোরিয়া বেজ বোল ওর্গনাইজেসন (কে বি ও) লিগকুম্বা স্পোর্ট মেচশিং ওদেন্স য়াওদনা শান্নবা হৌহনবা অসিনি। ইন্টেন্সিভ সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা হায়বসিনা লায়না শন্দোকপা লাকশিন্নবগী খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈ ওইরবসু মসি থাঙ্গৈশেংনা থবক ওইনা পাঙথোকপদা অরায়বা ওইদবনা ময়ায় ওইরপ্পা মওংগী লম্বী অমা থিরকপনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর চুং সিয়ে-কিয়ুননা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংগা পাঙথোকখিবা টেলিভাইজ মীটিং অমদা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, হৌজিক্কী ইনফেক্সনগী চাং অসি ঐখোয়না মতম শাংনা কায়হন্দনা লৈহনবা ঙল্লবদি রুটিন সোসল দিষ্টেন্সিং মে ৬ তগী হৌবা য়ারগনি। হেল্থ ওথোরিটিগী মায়কৈদগী থৌরাং অসিনা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফিভমদা অমুক হন্না পায়খৎপা য়াহনবগা লোয়ননা দিসইনফেক্সনগী গাইনলাইনশিংবু ঙাক্তুনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংবা ঙমহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মার্চতা সাউথ কোরিয়ানা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওর্দর অমা থোক্তুনা লাইনিং-লাইশোনগী মফমশিং, ইন্দোর স্পোর্ট অমসুং ইন্টরটেমেন্ট ফেসিলিটিশিং থিংজিন্নবা রিকমেন্দ তৌখিবনি।

# দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা ৱর্করশিং থবক মফমশিংদা থাজিল্লগনি

নু্য দিল্লি, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী অৱাবা কোকহনবা খোঙথাং অমদা নোংমাইজিং নুমিত্তা গভর্নমেন্টনা মখোয়বু সেন্টর হোমশিংদগী মেন্যুফেক্চরিং য়ুনিটশিং অমসুং ফার্মশিংগুম্বা নক্লনা লৈবা থবক মফমশিংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী চঙবা য়াহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রসিজর (এস ও পি)গী মতুং ইন্না ৱর্করশিং অদু হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা মফমশিং অদুদগী ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী মপান্দদি চঙবা য়াহল্লোই।

নোংমাইজি নুমিত্তা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভলানা থোকখিবা এস ও পি অদু নন-কোভিদ-১৯ কন্টেনমেন্ট জোনশিংনি হায়না লাউথোকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদদি চৎনরোই। থৌরাং অসিনা লেবররশিংবু ইন্দষ্ট্রিয়েল, মেন্যুফেকচরিং, কন্সট্রক্সন, ফার্মিং অমদি এম এন আর ঈ জি এগী থবকশিংদা এনগেজ তৌহনবদা মতেং পাংলগনি।



রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লেবররশিংবু তোঙান তোঙানবা থবক মফমশিংদা চঙহন্দ্রিবৈঙৈগী মাঙওইননা স্ক্রিন মেপিংগীদমক্তা মখোয়গী অকুপ্পশিং খঙদোক্লনবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহনখ্রে। মাইগ্রেন্ট কাঙবু অমনা মখোয়না লৈরিবা ষ্টেট মনুংগী থবক মফমদা অমুক হঞ্জিনবা পাম্লবদি মখোয় তঙাইফদনা স্ক্রিনিং তৌগনি অমসুং লাইওং থেংনদবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং মখোয়-মখোয়গী থবক মফমশিংদা পুগনি হায়না এস ও পি অদুদা পনখি।

মখোয়বু পুথোক পুশিন তৌবা মতমদসু সোসল দিষ্টেন্সিংগী নোর্মশিং নীংথিনা ঙাক্কদবনি অমসুং গাড়িশিং গাইনলাইনশিংগী মতুং ইন্না নীংথিনা সেনিটাইজ তৌগদবনি। মাইগ্রেন্ট লেবররশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদগী থবক মফমশিংদা চৎপা মতমদা লোকেল ওথোরিটিশিংনা মখোয়দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীগদবনি।

# গোৱাগী অমত্তা ঙাইরবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট চাংয়েংদা নেগেটিভ ওইরে

পনাজি, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
গোৱা অসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈতবা ক্লাসিফিকেসন অমা ওইরিবা গ্রীন জোন অমনি হায়না লাউথোক্কদবা শুপ্নগী টেষ্ট অমখক পাঙথোক্কদবদা ঙাইরবসু ওপোজিসন্না ষ্টেট গভর্নমেন্টপু সাইন্টিফিক ওইবা প্রোসেস মতিক চানা চথদনা কোরোনাভাইরস ফ্রী ওইরবা ষ্টেট ওইরে হায়না হাথু-হাথু লাউথোক্লবা হোৎনবগী মরাল শীখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্টর বিস্বাজিৎ রানেগী মতুং ইন্না সাউথ গোৱাদা লৈবা গভর্নমেন্টকী ফেসিলিটি অমদা ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লকখিবা অমত্তা ঙাইরবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অদু থাংজ নুমিত্তা চাংয়েং তৌবদা নেগেটিভ ওইরম্বা থেংনখি। সেন্ট্রেল গভর্নমন্টকী গাইনলাইনশিংগী মতুং ইন্না মহাক পুং ২৪ গী মতুংদা অমুক হন্না চাংয়েং চথগনি। মদুনা ষ্টেট অসি গ্রীন জোন অমা ওইরগদ্রা নৎত্রগা ওইরোইদ্রা হায়বদু লেপকদৌরিবনি।

করিগুম্বা মহাক চাংয়েংদা অমুক নেগেটিভ ওইরবদি ঐখোয়না মহাকপু দিসচার্জ তৌদুনা মখা তানা নুমিৎ ১৪ অমগা য়ুমদা ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লগা নীংথিনা মোনিটর তৌগনি হায়না মিনিষ্টর রানেনা ফোঙদোকখি।



ষ্টেটকী অমত্তা ঙাইরবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট নোর্থ গোৱা দিষ্ট্রিক্টকী হৌরকখিবগা লোয়ননা সাউথ গোৱা দিষ্ট্রিক্ট অসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা গ্রীন জোন অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্টগী মতুং ইন্না হৌখিবা এপ্রিল ৩দগী হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস অমত্তা রেকোর্দ তৌবা লৈত্রি। ষ্টেট অসিগী কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট ৭ লৈরম্বদগী চাংয়েংদা নেগেটিভ ওইরমদুনা পেসেন্ট ৬ গভর্নমেন্ট আইসোলেসন ফেসিলিটিশিংদগী দিসচার্জ তৌরবা মতুংদা ময়ুমদা ক্বারন্টিন তৌহনখি। কেস ৭তুগী মনুংদা তরুক্তি মপান্দা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈখি।

# এটেক্তা জৱান অনী শোক্লে, মাস্ক উপ্তুবগী ৮ জেলদা থাজিনখ্রে



শ্রিনগর, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা নোর্থ কাশ্মিরগী বরামুলাগী মনুং চনবা সোপোরদা টেররিষ্টশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সী আর পি এফ পর্সনেল অনী অশোক-অপন নংখ্রে। মখোয় অনী সর্জরি চথরবা মতুংদা হৌজিক নুংশাথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

হেদ কন্সটেবল বিস্বাজিৎ ঘোস অমসু কন্সটেবল জাভিট অহমদ এটেক অদুদা মফম কয়া থোক্লা অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা ৯২-বেজ হোস্পিটালগী ইন্টেসিভ ক্যের য়ুনিটতা লৈরি। এ কে-৪৭ রাইফল অমা পায়বা টেররিষ্ট অমনা সোপোরগী সিক্যুরিটি চেক পোইন্টতা চথরকখিবা এটেক্তা মখোয় অশোক-অপন নংখিবনি।

পুং ২৪ ফাদবা মতমগী মনুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চথরকখিবা অনীশুবা এটেক অদুদা সী আর পি এফকী ট্রুপ্পর অহুম শিখি।

চৈরকসিদা, হেদ কন্সটেবল রজিব শর্ম্মা অমসুং কন্সটেবলশিং চন্দর ভাক্রে অমসুং প্রমর সত্যাপাল সিংহগী পোষ্ট মোটেম লৌইখিবগা লোয়ননা মখোয়গী হকচাংশিং মথংশিংনা বিহার, মহারাস্ত্র অমসুং গুজারাটতা লৈবা মখোয়গী ময়ুমশিংদা পুরগনি হায়না সী আর পি এফনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশকী অগ্রা সিটিগী লোহা মন্দি এরিয়াদা ফেস মাস্কশিং শীজিন্নরমদবা মীওই ৮ পুলিসনা ফাখ্রে। নুপী অনী য়াওনা মীওই ৮ অদুবু পুলিসনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৫১ গী মখাদা মরাল শীখি। এক্যুজশিং অদুবু ইগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়বু মপান থোকপদা ফেস মাস্কশিং শীজিন্নরমদবগীদমক্তা থাংজ নুমিত্তা নুমিৎ ১০ নিগী ওইনা জেলদা থাজিনখি।

লোহামন্দি পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টেসন হাউস ওফিসর নরেন্দ্র শর্ম্মানা হায়খি মদুদি, এক্যুজ ৮ অদু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লম্বীদা মাস্ক উপ্তুনা অমসুং মরম অমত্তা লৈতনা চৎলম্বগীদমক নৎত্রগা লোকদাওনগী প্রোটোকোল থুগায়দুনা পুল্লম্বগীদমক্তা ফাখিবনি। এক্যুজশিং অদু লুপা লাখ ১ অমদি সিয়ুরিটি বোন্দ পীবা ঙমদবা অমসুং লোকদাওনগী রুলশিং থুগায়বগীদমক্তা চয়োল অনী জেলদা থাজিনখিবনি।

# ওফিসলশিংদা এটেক তৌবা ৮ ফাগৎখ্রে, পুলিস ইন্সপেক্টর ১ লৈখিদ্রে



ভুভনেশ্বর, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সি) :
উরিষাগী জয়পুর দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯গী গাইনলাইনশিং চৎনহন্নবা হোৎনরিবা গভর্নমেন্ট ওফিসল অনীদা এটেক তৌবগীদমক্তা মীওই ৮ ফারে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতুংদা খুঙ্গং অদুদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ চৎনহনখ্রে। জয়পুর দিষ্ট্রিক্ট কলেক্তর রঞ্জনকুমার দাসনা ফোঙদোকখিবদা, থাংজ নুমিত্তা কুৱাক্ষিয়া পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা গোপিনাথপুরদা খুঙ্গংগী মীওই কাঙবু অদুনা ওফিসলশিং অদুদা এটেক তৌবগা লোয়ননা মখোয়বু ফাজিন্দুনা থমখি। ওফিসলশিং অদু তুংদা অহেনবা পুলিস ফোর্স থোমজিন্দুনা রেস্ক্যু তৌখি।

কলেক্তর অদুনা হায়খি মদুদি, লমদম অদুদা লোকদাওন চৎনহন্নবগী দ্যুটিদা লৈরিবা ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসর অমসুং টেহেসিলদারনা লম্বীদা চেক তৌদুনা লৈরিঙৈদা মাস্ক উপ্তুবা মীওই ৩ মোটোর বাইক অমদা তোংলগা গোপিনাথপুর খুঙ্গং তম্না য়াঙনা চেনখি। ওফিসলশিং অদুনা মখোয়বু তান্নখিবা মতমদা খুঙ্গংগী মীওই ৫০ রোম্না মখোয়দা এটেক তৌখি।

ৱাহং পাউহং চথবদা মোটোর বাইকতা তোংলিবশিংদুগী মনুংদগী অমদি হৌখিবা মার্চতা দিল্লিগী নিজামুদ্দিনদা পাঙথোকখিবা তাব্লিঘি জমাটকী মীফম অদুদা শরুক য়াখি হায়বসি খঙবা ঙমখি। মীওইশিং অদু নিজামুদ্দিনগী থৌরম অদুগা মরী লৈনবশিংনি হায়দুনা মখোয়বু ওফিসলশিংনা খাম্নবা হোৎনরক্লে খনবদগী মখোয় মফম অদুদগী চেল্লিবনি হায়না দাসনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মধ্য প্রদেশকী কর্মসিএল কেপিটেল ইন্দোরদা থোক্লিবা শাথিরবা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী খ্বাইদগী নৌবা ভিক্তিম ওইনা পুলিস ইন্সপেক্টর অমা লৈখিদ্রে। জুনি পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টেসন হেদ ওফিসর দেবেন্দ্র কুমার চন্দ্রবান্সি থাংজ নুমিৎকী অহিংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখি। হেল্থ ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না মহাক চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইখ্রবসু মহাক্কী অরোয়বা রিপোর্টতদি নেগেটিভ ওইখি।